# ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
# হুইয়েন লানপাউ

HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

The Largest Circulated Newspaper in Manipur




কৈশামথোং হায় স্কুলদা এম এস এফ, ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা লৈবাক নীংবা শৈরেং থিবা চাংদম্নবদা শরুক য়াখিবশিংনা লৈখিদ্রবশিংগী মফমদা ইকায়খুম্নবা উৎপা


লৌশিং পূক্কে : ঈ চাং নাইনা পীদুনা মমল য়ান্নবা মীওইবগী ... লামায় ২

লামায় ৪ নিপালশুবা আই এন বি এ টাইৱান নেসনলস

'অঙাংদি নীংথাদা খঙই' লামায় ৫

লামায় ৬ ফার্ম লো ৩ হৌদোরক্লিবা কঙ্গনা রনাউট তাম্থোক্কদবনি...

জম্মু এন্দ কাশ্মির মীখলগী ২শুবা ফেজদা চাদা ৫৪ খক্লা ... লামায় ৮

লামায় ১০ কেলভিন অমসুং কোরৌগী পাঞ্জলনা ইন্দিয়ানা...


ইসপ্লানেদগী থিএটর ষ্টুদিওদা সেপ্টেম্বর ২৯গী নুমিদাংদা মণিপুরী জগোয় (ফ্লৱরস ওফ দিভোসন) উৎকদৌরিবা ডা. সিনাম বাসু অমসুং কোঞ্জেংবম মোনিকা




Vol. 48, Issue No. 173 | শগোলশেন, লাংবনগী ২৪নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Thursday, September 26, 2024, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50


# সেনাপতি : লাইশঙ মৈ থারম্লে, শেল পুখ্রে
# জিরিবাম : কুকি টেররিষ্টশিংনা নোংমৈ কাপ্লকখ্রে

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৫ (ঐচএনএস) :** ঙরাং নোংয়াই মতুং পুং ১.২০ লোম তারকপদা সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরগী কৈথেল মনাক্তা লৈবা হিন্দু লাইনীং চৎপশিংগী লাইশঙ 'শ্রীশ্রী পসুপতি নাঠ মন্দির' শকখঙদবশিংনা মৈ থাবা হৌরকখিবদা নত্তনা লাইশঙ অসিদা লাই খুরুম্বা লাকপা মীওইশিংনা কৎলম্বা শেলশিং হাপ্পা উপু অমসু পুরগা চৎখ্রে হায়রি।

লাইশঙ অসিগী শরুকশিং মৈ চাক্লকপা উবদগী অনকপদা লৈবা মীওইশিং চেনশিন্নরক্লুনা কলহৌবদগী কা হেন্না অমাঙ-অতা থোকহৌদ্রে হায়রি। লাইশঙ অসিবু মৈ থাবা হৌরম্বা অমসুং শেল য়াওবা বোক্স পুরগা সেনাপতিগী হায়ৱে লম্বী লাম্থোক্লগা চৎখিবগী সী সী টিভি ফুটেজদা ময়েক শেংনা য়াওরমখি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা ঙসি অয়ূক লাইশঙ অসিগী কম্মিটিগী থৌমীশিংনা দি সীগা উনরগা থৌদোক অসিগী মতাংদা মীফম অমা পাঙথোকখ্রে হায়রি। কম্মিটিগী মায়কৈদগী ঙরাংগী থৌদোক অসিদা চেন্নবা মীওইশিং চৈরাক পীয়ু হায়বগা লোয়ননা থৌদোক অসিবু য়ানীংদবা ফোঙদোক্লুনা সেনাপতি কৈথেলদা নন লোকলশিংনা ফম্বা



দুকানশিং থোঙ লোনখি হায়রি।

পাউচে অসিনা ফংবা পাউনা হায়বদা, লাইশঙ অসিবু এটেক তৌরম্বগী থৌওং অসি ঙরাংগী অসিনা অনীরকশুবনি হায়বগা লোয়ননা থৌদোক অসিবু নাগা পিপলস ওর্গনাইজেসন অমসুং কারোং-সেনাপতি টাউন কম্মিটিনা পূন্না থোরকপা চেরোল অমনা অকনবা মওংদা য়ানীংদবা ফোঙদোরক্লি।

অমরোমদা, ঙসি নুমিদাং পুং ৭.০৫ রোম তারকপদগী হৌরদুনা জিরিবামগী মোংবুং মীতৈ খুলদা জাইরোলপোকপীগা থংননা লৈরিবা বারিজ ুরি খুল লোমদগী কুকি টেররিষ্টশিংনা নোংমৈ কাপশিন্দুনা লান্দারকখ্রে হায়রি।

খুল অসি হান্না নন লোকলশিংনা লৈবনি অদুবু মতম খরগী মমাঙদা মারশিংনা মখোয়বু তাম্থোকখ্রবা মতুংদা খুল ...মখা লমায় ৩ কলম ১

# লূপ ৪গী মতম কক্তবা শট-দাউননা
# ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বীদা গাড়ী কয়া পন্দুনা লৈখ্রে

## হায়ৱে থিংবা নত্তবা অতোপ্পা খোঙজং চঙশিনবীয়ু : দ্রাইভরস য়ুনিয়ন

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৫ (ঐচএনএস) :** তমেংলোং দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরদা লৈবা সব দিভিজনেল ওফিসর (এস দি ও) গী ওফিস তৌসেম সব দিভিজনদা থমগদবনি হায়বা য়াওনা তোঙান তোঙানবা দিমান্দশিং তাল্লদুনা তৌসেম হেদ ক্বার্টরস ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (টি ঐচ এস য়ু), তৌসেম এরিয়া ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসন (টি এ এস ও) জেমে ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসন (জেদ এস ও) অমসুং চ্রামরাম সেগমেন্ট ভোইস (সী এস ভি) না ঙরাং অহিং নোংয়াইদগী মখোয়না কোল্লিবা মফমশিংদা এন ঐচ-৩৭ (ইম্ফাল-জিরিবাম) লম্বী কোনশিন্দুনা মতম কক্তবা শট-দাউনগী খোঙজং চঙশিনখিবদগী হায়ৱে অসিদা গাড়ী কয়া পন্দুনা লৈখ্রে।

তোঙান তোঙানবা পোৎ চৈশিং ইম্ফাল তম্না পুশিল্লক্কদবা জিরিবামদগী লাকখিবা ত্রক ১০০গী মথক্তা হায়ৱে পরিং অসিগী বরাক এরিয়াদা পন



দুনা লৈখ্রে। অদুগা ইম্ফালদগী পোৎ চৈ অমসুং গ্যাসনচিংবা লৌরুনবগীদমক চৎখিবা গ্যাস বুল্লেট য়াওনা ত্রক কয়ানা ন্যু কৈথেলমানবী এরিয়াদা এস্কোর্ট লাকপা ঙাইদুনা পল্লগা লৈরে হায়রি।

অমরোমদা, হায়ৱে থিংজিনবগী খোঙজং অসিবু ওল মণিপুর রোদ ত্রান্সপোর্ট দ্রাইভরস এন্দ মোটোর ৱার্করস য়ুনিয়নগী জেনরেল সেক্রেটরি মাইমোম অনিলনা অকনবা মওংদা য়ানীংদবা ফোঙদোরক্লি।

নেসনল হায়ৱেদা ঙাইহাক লৈতনা বন্দ অমদি ইকোনোমিক ব্লোকেদনচিংবগী খোঙজং চঙশিল্লকপা য়ানীংদে হায়রদুনা পাউচে অসিদা মহাক্না হায়, মণিপুরদা হৌজিক থা ১৬ হেল্লক্লবা ঈৱাং অসিনা লৈমিন্নরিবা ফুরুপশিং য়াওনা পূন্না ফুরুপ ৩০ হেনবগী চানবা পোৎ চৈশিং মণিপুরগী মপান্দগী দ্রাইভরশিংনা লেপ্তুনা পুশিল্লক্লিবনি। নোংজু নুংশা মরক্তা দ্রাইভরশিংনা ফীভম শোক্লবা এন ঐচ-৩৭তা মথৌ ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

# দেসামনা আই বি এস দিদা অকনবা মীৎয়েং চঙলগনি : এম সোমোরজিৎ

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৫ (ঐচএনএস) :** ঙসি নুংথিল ক্বাকৈথেলদা লৈবা দেসামগী ময়ায় লোয়শঙদা পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা লূপ অসিগী প্রসিদেন্ট ময়েংবম সোমোরজিৎনা অমদি য়েংশিন্দুনা লাকপগী মখা তারকপদা নোর্থ ইষ্টকী ওইনা মরু ওইবা ইন্সটিট্যুট অমা ওইরিবা তাকয়েলগী ইন্সটিট্যুট ওফ বাইও রিছোর্স এন্দ সষ্টেনেবল দিভেলপমেন্ট (আই বি এস দি) অসি



পাউমীশিংদা দেসামনা লেপ্তুনা চথরকপা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা ইন্সটিট্যুট/মহৈশঙশিং মতমগা চুন্ন-চান্ননা লৈনবা হোৎনদুনা প্রেসর কয়া পীরকপা তাকয়েলদা হেদ ক্বার্টর ওইনা লৈবনি হায়খি।

মিজোরাম, মেঘালয়, সিক্কিমনচিংবা ষ্টেটশিংদা মসিগী ব্রাঞ্চশিং লৈরি। ...মখা লমায় ৩ কলম ৫

# ইরৈবাক্কীদমক হিংবা অমসুং শিবা ঙম্বা মীরোল ১ শেম্বা মতম ওইরে : লৈশেম্বা সনাজাওবা

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৫ (ঐচএনএস):** ইরৈবাক অসি মীপুম খুদিংমক্না নুংশি অদুবু ইপা-ইপুশিংগী মতমগী থৌদোক ৱাথোক, অৱা-অনা খঙনা নুংশিবা মতম ওইরে হায়না রাজ্য সভাগী এম পিসু ওইরিবা নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি ৱাখল্লোন মান্নবা অপূনবা (ৱামা), কংলৈপাক্কী অহুম্লকশুবা মপোক কুমওন থৌরমদা শরুক য়ারদুনা ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না হায়, ঐখোয় মীতৈশিং থবক তৌবদা ভিজন য়াওনা তৌসি। ভিজন অমগী মখাদা পূন্না খন্ন-নৈনবা, ৱা তান্নদুনা খুন্নাই অসি কমদৌনা খুমাঙ চাওশিনগদগে হায়বা রোমদা অমনা অমদা শৌগৎনরগা হৌজিক থোক্লিবা লৈবাক্কী ঈৱাং অসিসু ঐখোয় পূন্না তান্নদুনা ঈং-তপ্পা হঞ্জিল্লক্লবা পূন্না হোৎনমিন্নবা চঙই। লান অসিদসু ঐখোয় মশেলগী মরক্তা মায়কৈ ঙাওবদৌনা অমুক-অমুক মিস অন দরষ্টেন্দিং থোক্লবা য়াওরিবা, অমনা তৌরগা অমনা শীংথাদবা, ঐখোয় মশেল চিংথনবা মানবা থৌওংশিং তৌহন্নীংদে। থৌওং অসি মীতৈগী ওইবা অপূনবা ভিজন লৈতবগীনি হায়খি।

মীগীদি পান্দম অমগী মখাদা লিশাং শিংনা ৱা খন্নরগা অমত্তা ওইনা লান দারকপনি। ...মখা লমায় ৩ কলম ২

# লানগী খুদোংচাবা লৌরগা চীংদা উমং কোকথোক্লমগনি অমসুং হেলিপেদ শেল্লমগনি হায়বগী চিংনবা লৈরে : নন্দো

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৫ (ঐচএনএস):** হৌজিক লান মনুংসিদা চীংদা লৈরিবা উমং কয়াম কোকথোক্লবগে হায়বসু য়েংগদবনি হায়বগা লোয়ননা লানগী খুদোংচাবা লৌরগা পাকথোক্লক্লগনি অমদি হেলিপেদ শেল্লম্লগনি হায়বগী চিংনবা ফাওরে হায়না অমুকোগী প্রসিদেন্ট ফৈরোইজম নন্দো লুৱাংনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন (ইদুকো) অমসুং পিছফুল ক্লবনা শীন্দুনা অমুকোগী মীৎয়েং মখাদা তিনসিদ লম্বীগী খুরাই নিংথৌবুং লৈকায় কম্মুনিতি হোলদা হিজম ইরাবত নীংশিং থৌরমগা মরী লৈননা ঈ পীবগী থৌরম অমসুং লৈবাক নীংবা ঈশৈ চাংদম্নবা পাঙথোক্লুনা



ইরাবততা হৈকৎ লৈকৎ তমদুনা ইকায়খুম্নবা উৎপদা শরুক য়ারদুনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না হায়, লান মমাঙদা লৈরম্বা মণিপুরগী ...মখা লমায় ৩ কলম ১

# লৈখিদ্রবা মমা-মচাগী জে এ সীনা ৱাকৎ খোঙজং চঙশিনখ্রে

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৫ (ঐচএনএস) :** ৱাঙ্গোই পি এসকী মনুং চল্লিবা হাওরৈবি ময়ায় লৈকায়দগী নিঙোম্বম বসন্তি (৪৮) অমসুং মচানুপী লনচেনবীগী অশিবা হকচাংশিং থা অসিগী ২৩গী অয়ূক্তা ফংখিবগী মায়োক্তা শেমখিবা জে এ সীনা ঙসিসু হাওরৈবি কাংজৈবুং মপাল কম্ম্যুনিটি হোলদা ৱাকৎ খোঙজং চঙশিনখ্রে।

লৈখিদ্রবী মমা-মচাগী পোষ্ট মোর্টেম এগজামিনেসন পাঙথোকখ্রবসু মসিগী রিপোর্ট পীরক্তুনা মীশি অসিগী অশেংবা লংলা-লংজিন খঙদ্রিবা ফাওবা মখোয়গী হকচাংশিং লৌখিরোই হায়না ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

# পি এল এগী ৪৬শুবা মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রে
## পি এল এগী দিভিজন ৮দসু মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোকখি





**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৫ :** পিপলস লিবরেসন আর্মিগী জেনরেল হেদক্বার্টরস, টেক্টিকেল কম্মান্দ, ষ্ট্রেটেজিক কম্মান্দ, ২৫২ মোবাইল বট্টালিয়ন, অতৈ লাম্নীগী য়ুনিট, দিপার্টমেন্ট, ষ্টেসনশিং লোয়ননা পার্টিগী সেন্ট্রেল ব্যুরো, এস আর-১, এস আর-২, এস আর-৩, এস আর-৪গী মফমশিংদা পার্টি অসিগী ফিরালদা ইকায়খুম্নবা উৎপা অমদি ইমা লৈবাক নীংতম্বগীদমক থৱায় কৎখ্রবা অথৌবশিংগী মফমদা কোক নোন্দুনা ইকায়খুম্নবা উৎতুনা পি এল এগী ৪৬শুবা ...মখা লমায় ৩ কলম ৫

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৫ (ঐচএনএস) :** মণিপুরগী নীংখা তম্বা অমুক হঞ্জিনবগী লালহৌ চঙশিল্লকখিবা লমদম অসিগী অরিবা লালহৌলূপ অমা ওইরিবা পিপলস লিবরেসন আর্মি (পি এল এ) লিংখৎখিবগী চহী ৪৬ মপূং ফারকপগী থৌরম ঙসি থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মফম অমদা পাঙথোকখ্রে।

পি এল এ দিভিজন-৮না শীন্দুনা পাঙথোকখিবা লূপ অসিগী মপোক কুমওনগী থৌরম অদুদা পি এল এগী অহল ওইরবা কয়া, তোঙান-তোঙানবা সী এস ওশিং অমদি মৈরা পায়বী লূপকী ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

# মহৈরোয় পুবা গাড়ীশিংনা সিট কেপাসিটিদগী হেন্না পুদনবা খঙহল্লকপগী মায়োক্তা মীফম পাঙথোক্কদৌরি

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৫ (ঐচএনএস) :** মণিপুরগী তম্পাক্কী মফমশিংদা স্কুল ভেন সর্ভিস তৌরিবশিংদা সিট কেপাসিটি হেন্না মহৈরোয়শিং পুবা য়ারোই হায়রকপগী মতাংদা লৈঙাক্লা লৌখৎলক্লিবা থৌরাং অসিনা থেংনরিবা অৱাবা খুদোংচাদবশিংগী মতাংদা খন্ন-নৈনবা মীফম অমা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট স্কুল ভেন এসোসিএসননা শীল্লগা এসোসিএসন অসিগী মেম্বরশিংগী ওইবা মীফম অমা থা অসিগী ২৬কী নুংথিল পুং ৩দা থৌবাল মেলা গ্রাউন্দগী মীপূনশঙদা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

মীফম অসিদা এসোসিএসন অসিগী মেম্বরশিংনা শরুক য়াবীয়ু অমদি মখা তানা চঙশিনগদবা খোঙজংশিং নুমিৎ অসিদা মেম্বরশিংনা খন্নরগা লাউথোক্কনি হায়নসু এসোসিএসন অসিগী সেক্রেটরি লাইশ্রম জ াদুমনিগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

# বি জে পি অমসুং মপাং পার্টিগী মীওইশিংনা রাহুল গান্ধীদা কিহন-খংহল্লে হায়দুনা পুলিসতা ৱাকৎখ্রে

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৫ (ঐচএনএস) :** লোক সভাদা ওপোজিসন লিদর ওইরিবা কোংগ্রেস লুচিংবা রাহুল গান্ধীগী মায়োক্তা বি জে পিগী লুচিংবশিং অমসুং পার্টি অসিগা চৎমিন্নরিবা মপাং পার্টিগী এম এল এ য়াওনা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর অমসুং য়ু পি লৈঙাক্কী মিনিষ্টরনচিংবনা কিহন-খংহনবা পোকহনবা অকনবা ৱাফমশিং ফোঙদোরক্লে হায়রদুনা মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট কে মেঘচন্দ্রনা ঙসি লুচিংবশিং অদুগী মথক্তা সিটি পুলিস ষ্টেসনদা অইবা কমপ্লেন্ট রিপোর্ট অমা পীশিনখ্রে।

পুলিস ষ্টেসন অসিনসু রিসিভ তৌরবা ৱাকৎ অদুদা মীওইশিং অসিগী মথক্তা ভারতিয়া ন্যায় সনহিতাগী সেক্সন ৩৫১, ৩৫২, ৩৫৩ অমসুং ৬১গী মখাদা কেস অমা লৌখৎপীয়ু হায়নসু হায়জখি হায়রি।

# কুকি মিলিটেন্ট ৯০০ চঙশিল্লকখি হায়বা রিপোর্ট অচুম্বা ওইরমদ্রে : সিক্যুরিটি এদভাইজর, দি জি পি

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৫ (ঐচএনএস) :** থা অসিগী ২৮দা মীতৈশিংদা এটেক চথনবা ম্যান্মারদগী ত্রেন তৌরবা কুকি মিলিটেন্ট ৯০০ চঙশিল্লকখি হায়বা পাউগী মতাংদা তোঙান তোঙানবা ফুরুপশিংদগী ফোঙদোক্লরক্লিবা ৱাফমগা মরী লৈননা পাউ অসিগী মতাংদা তোঙান তোঙানবা মায়কৈশিংদগী ভেরিফাই তৌবদা 'গ্রাউন্দ' দদি অশেংবনি হায়বা ঙমদ্রে হায়না সিক্যুরিটি এদভাইজর কুলদিপ সিংহ অমসুং দি জি পি রজিব সিংহনা পূন্না খূৎয়েক পীদুনা ঙসি নুমিদাং থোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

হৌজিকমক্কী ওইনা অসিগুম্বা পাউ অসিদা থাজনীংঙাই ওইদে হায়রি। অদুম ওইনমক মীয়াম্বু ঙাক শেন্নবা সিক্যুরিটি ফোর্সনা মীকুপ-নাহুম শিংনা লৈরি হায়রি।

# কুকি টেররিষ্টশিংগী খূৎতা লৈখিদ্রবী ঙাংবম সুরবালাগী লান্ন-থৌরম ঙসি পাঙথোক্লগনি, ফয়েং মায়কৈদা লৈখিদ্রবা মীওই ৬ শুরে : শান্তি

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৫ (ঐচএনএস) :** চৎলিবা থা অসিগী ১ থৱানগী ২৯নি পানবা নোংমাইজিং নুমিৎকী নুংথিল পুং ২ রোম তারকপদা কুকি টেররিষ্টশিংগী নোংমৈ মরূনা পান্দুনা লৈখিদ্রবী ঙাংবম ওংবী সুরবালাগী লান্ন-থৌরম ঙসি পাঙথোক্লগনি অদুগা মে ৩, ২০২৩দগী হৌরকখিবা তমথীরবা লান অসিগী মনুংদা হৌজিক ফাওবদা ফয়েংদগী লৈখিদবা মীওই মহাক থারগা পূন্না ৬ শুরে।

লৈখিদ্রবী সুরবালাগী থৱায়গা হকচাংগা খাইনরমদাই মমাঙদা মচানুপা (ঙাংবম মহেশ) না তল্লিবা লাইরেনকাবীদা লৈবা কংলৈপাক স্কুলদা মচানুপাগী মনাক্তা লাক্লুনা অরোইবা ওইনা উনরমখিবনি। মচানুপা




উনরম্লগা মচানুপী (ঙাংবম রোজিয়া) গা মপাম লমদম কৌত্রুক চীং লৈকায়দা লৈবা অপোকপা নিংথৌজম চাউবা, অপোকপী নিংথৌজম ওংবী তোল্লবী অমসুং মপামগী ইমুং-মনুংগী মীওই পূম্নমক উনরম্লগা অরোইবা য়াহিপ তানখিবনি। মহাক হিংলিঙৈ মতমদসু কুকি টেররিষ্টশিংনা য়াম্না তোয়না নোংমৈ অমদি বোম কাপ্তুনা লান্দারকপদগী থৱায় হিংননবা অরৈবা পাম্বৈ পুথোক্লুনা হোৎনজরকখিবীনি। মহাক লায়কন্নবদা কনবা ঙমদনা লৈখিদ্রবা মতুংদা মচানুপীনা য়েৎ থংবা খূৎকী খুনীংদা নোংমৈ মরূনা পানখিবনি।

মহাক খক্তা নত্তনা লান অসিগী মনুংদা ফয়েং অমসুং অকোয়বগী লানফমশিংদা লৈখিদ্রবা মীওইশিংদি অঙোম বসন্ত অপোকপা এ ইঙোজাউ অপোকপী ইবেতোন, ফয়েং চীং লৈকায়; ফয়েং শাবল লৈকায়দগী অঙোম রাকেস (ইঙো) অপোকপা তেনবী, অপোকপী মেম্মা; ফয়েং খারংদগী অঙোম রোমেস (বোবো) অপোকপা এ মুক্তা; শগোলবন্দ মোইরাং লৈরক্তগী লৈথাংবম নোরেন অপোকপা লৈখিদ্রবা এল লবঙ্গো, অপোকপী লৈখিদ্রবী রাধে অমসুং খুন্দ্রাকপম অৱাং লৈকায় (লাইমাং) দগী পুখ্রম্বম নিখিল অপোকপা নোদে, অপোকপী ইন্দিরানি।

অঙোম বসন্ত গ্রেজুএসন লোইখ্রে। এন সী সী ত্রেনিং তৌদুনা 'সী সর্টিফিকেট' পায়দুনা সেন্ট্রেল ফোর্সতা চঙননবা এগজামিনেসনশিং শরুক য়াদুনা লাকখিবনি। মহাক্কী ইমুং লৌউ-শিংউবা অমদি উমোরোক্কী ফার্ম ...মখা লমায় ৩ কলম ২

# বোম থমজিল্লম্বগী মায়োক্তা ৱাকৎ খোঙজং চঙশিনখ্রে




**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৫ (ঐচএনএস) :** ঙসি নুংথিল পুং ১.৩০ রোম তারকপদা শীংজমৈ ওইনাম থিঙেলদা লৈবা আই এম সীগী ক্যেরটেকর মেয়র লৈশাংথেম লোকেশ্বর (৫২) গী য়ূমদা বোম থম্লম্বগী মায়োক্তা ঙসি লৈকায় অসিগী ঐখোয়গী ক্লব (ঈ সী) অমসুং ওইনাম থিঙেল মৈরা পায়বীনা পূন্না শিন্দুনা য়ানীংদবা ফোঙদোকপগী ৱাকৎ খোঙজং চঙশিনখ্রে। অসিগুম্বা থৌওং মখা তানা থোকহনবীগনু হায়খি।

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

# মণিপুরদা শাশিন্নবা অনা-লায়েংগী দ্রগ ময়াম থাজিল্লকই অদুবু টেষ্টিং লেবোরেটরিদি লৈত্রি : ৱাই রোনেন




**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৫ (ঐচএনএস) :** মণিপুরদা অনা-লায়েংগী হীদাক ওইনা শীজিন্নবা শাশিন্নবা দ্রগ ময়াম অমা থাল্লিকই হায়বগী পাউ লৈরে অদুবু ষ্টেট অসিদা দ্রগ টেষ্টিংগী লেবোরেটরি লৈতবনা শাশিন্নবা দ্রগশিং অসি খঙদোক্লবা হোৎনবদা অৱাবা কয়া মায়োক্লরি হায়না মেদিকেল দিরেক্টোরেটকী দ্রগ ইন্সপেক্টর ৱাই রোনেননা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি মণিপুর ষ্টেট ফার্মাসি কাউন্সিলনা শীন্দুনা লম্ফেলদা লৈবা ইন্দিয়ন মেদিকেল এসোসিএসন, মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চকী হোলদা 'ফার্মাসিষ্ট : মীটিং গ্লোবেল হেল্থ নীদস' হায়বা থিমদা পাঙথোকপা ৱর্ল্দ ফার্মাসিষ্ট দে, ২০২৪গী থৌরমগা মরী লৈননা মহাক্না ...মখা লমায় ৩ কলম ২


ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী, এদভর্টিজমেন্টগীদমক অমসুং রিদরস ক্যেরগীদমক মোবাইল নম্বর +৯১- ৯৭৭৪৮০৩১৪৫